# চীংদা দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈত্রে, ভোটরশিংনা মমীৎতগী মপি তাদুনা খাঙহৌরি ঃ কিম গাঙতে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১১(এস এন এস) ঃ তরাতরেৎ শুবা লোক সভা ইলেক্সনগী আউটর মণিপুর কন্স–টিট্যুয়েন্সিগী ঙসি পাঙথোকখিবা ইলেক্সন্দা চীংগী তোঙান তোঙানবা পোলিং ষ্টেসনশিংদা ভোটরশিংনা মশাগী ভোটিং রাইট ফংদনা নম্ফুদা নহারোল খরনা মহুৎ শীন্দুনা ভোট থাদবীখিবনা ভোটরশিং মমিৎতগী মপি তাদুনা খাঙহৌরি। চীংদা দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈত্রে হায়না নেস্নেল পীপলস পার্টিগী লুচিংবী কিম গাঙতেনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ন্যু চেক্কোন্দা লৈবা নেস্নেল পীপলস পার্টিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা ১৭ শুবা লোক সভাগী আউটর মণিপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ইলেক্সন্দা মহাক মশানা তোঙান তোঙানবা চীংগী পোলিং ষ্টেসনশিংদা চৎলুবদা ভোটর অয়াম্বনা মশাগী ভোট মশানা অপাম্বা মীহুৎ খন্দুনা থাদবা ফংলমখিদে। নহারোল খরনা নম্ফুন্দা মখোয়গী মহুৎ শিন্দুনা ভোট থাদদুনা ইলেক্সন অসি নীয়ম চুম্না তৌদ্রে। চীংদা দেমোক্রেসি লৈত্রে। চীংদা লৈরিবা চীংমীশিংগী রাইট টু ভোট ফংদ্রে। ঙসিগী নুমিৎ অসি অমম্বা নুমিৎনি হায়না লৌদবা ঙম্লোই। ভোটর কয়ানা মমীৎতগী মপি তাদুনা খাঙহৌবা উবদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতে। মসিগী চপ চাবা প্রমাণ হায়ববু প্রজাশিংগী খূৎদোম্বীদা মুক তৈব্রা অমুক্তা মীয়াম্না য়েংবীয়ু।

মহাক্না মখা তানা হায়, চহী কয়া অমা চীংদা ভোটকী অশেংবা মমি উবা ফংদনা লাক্লি। মহাকসু বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অমা ষ্টেট অসিদা লাকপদা হরাওরুবনি। অদুবু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়াবু খাইবুং তাহন্দুনা পোলিটিক্স তৌরি।

ঙসি পাঙথোকখিবা আউটর মণিপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিনা কুকিদা টিকেট পীদুনা কুকি খক্তদা অতম্বনা ভোট খোম্বদা নত্তনা সুদা লৈরিবা কুকি লানহৌবশিংবু শীজিন্নদুনা প্রজাশিংদা কিহন–খংহন দুনা ভোট থাদহল্লি। কুকিদা টিকেট পীদুনা ভোট লেপহল্লবসু করিগী নাগাশিংদা ভোট খোমদ্রিবনো? নাগাগী লানহৌলূপ্তুনা করিগী লৈঙাক অসিনা ৱাহৈ অমা ফাওবা হায়বা ঙমদ্রিবনো? মরম অসিনা তাকপদি নাগাগা কুকিগা খাইবুং–খাইবুং তান্নবা লৈঙাক অসিনা চাউনা শীনবনি হায়না লৌই। ঙসি পাঙথোকখিবা আউটর ইলেক্সন অদুদা সুদা লৈরিবা কুকি লানহৌলূপ অমনা খুলগী নিংথৌশিং অমদি সি এস ওশিং কৌখৎতুনা বি জে পিদা ভোট পীনবা কিহন–খংহনবতা নত্তনা খূৎয়েক লৌখিবগী পাউ মীয়াম্না খঙনরবনি।

হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা সুদা লৈরিবা কুকি লানহৌলূপনা থৱায় য়াওনা হোৎনরিবা অসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা কুকি লানহৌলূপ্তা বি জে পিগী কেন্দিদেট ভোট কাহন দ্রবদি সুদগী লৌথোক্কনি হায়বা থ্রেট কয়া তৌদুনা পোলিটিক্স তৌরিব্রা হায়বগী চিংদবা ঙমদ্রে। ঙসি তোঙান তোঙানবা পোলিং ষ্টেসনশিংদা নম্ফুদা ভোট মুনবগী থৌদোক অসি বি জে পিনা তৌহনবনি হায়না লৌই। বি জে পিনা নমফু সাসন তৌরে। অদুবু প্রজানা কৈদৌনুংদা নম্ফুদা ওইহনখিবা এম পিদি শুকপাম পাম্লোই। প্রজাশিংগী ভোটিং রাইটপু পৈশানা লৈগে হায়বা য়াদ্রগনা ভোট থাদবগী খুদোং চাবা ফংহন্দবা, প্রজাশিংগী ভোটিং রাইটপু মৎপীবা অসি এন পি পিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। চীনদনা অফবা শাবা, কাঙলূপ কয়াবুনা খাইবুং–খাইবুং তাননবা শীল্লিবা বি জে পি মণিপুরগী লৈমায়দগী মৱা ফংনা মুখৎতুনা অনৌবা লৈঙাক অমা লাকহনবা মথৌ তারে। প্রজাশিংগী রাইট মৎপা, নম্ফু সাসন তৌবা বি জে পি নেস্নেল পীপল পার্টিনা চপ চানা থেংনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী মথক্তা এফ আই আর ফাইল তৌদুনা লিগেল এক্সন লৌখৎনবা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১১(এস এন এস) ঃ চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ইলেক্সনগী কেম্পেন তৌবদা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক থুগাইদুনা অরানবা য়ুমফম য়াওদবা ৱাফমশিং শিজিন্নদুনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগীদা কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট ওইরিবা ও নবকিশ্বরদা মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনবত নত্তনা ভোটরশিংবু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে হায়দুনা মহাক্কী মথক্তা এফ আই আর চন্দুনা লিগেলি এক্সন লৌখৎনবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কম্মিনর, মণিপুরগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার, ইন্নরগী রিতনিং ওফিসার ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুটি কম্মিসনর অমদি জেনরেল ওবজভরদা থাবা চেরোল অমদা কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট ওইনাম নবকিশ্বরনা ফোঙদোক্লি মদুদি হৌ–খবা মার্চ ২৯ দা খুন্দ্রাকপম বি জে পি মন্দলনা শীন্দুনা য়ুম্নাম খুন্নৌদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন কেম্পেনগী মীতিং অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাকপু পার্সোনেল এটেক্ট তৌখ্রে।

নুমিৎ অদুদা চীফ মিনিষ্টর বিরেননা ঙাংখিবা ৱাঙাং অদুমক চেরোল অদুদা অসুম্না লৌখৎলি, চীফ সেক্রেটরী মৈতৌনা ওইরগা লৌথোকপীরগা ময়াং হাপ্লে, অদু তৌরে অদা তৌরে য়াম্না ঙাং লিমালে, মীতৈ সুবেদার খেল্লেন্দ্রো, তিকেন্দ্রজিৎ ফাহল্লগা ফার্সি তৌরিদো, নত্রো মৈতৈ নত্রো ? ঐ ওইরবসু জাতিগী মাঙনবা লৈবাক্কী মাঙনবা তৌরিবদু ঐখোয়না কনখৎতুনা থম্বা য়াগদ্রা? নিয়ম চুম্না মা স্কান্দলদা চেন্নরমগনো, কেসতা চেন্নরমগনো, ওইরগা অদুম লৈগদবনি। স্কান্দলদা চেন্নবা অমা ঐখোয়না করম হায়না মাবু থবক পুরগা থমগদৌরিবা। দেস বিদ্রোহি হায়না, জাতিগী য়েক্নবা, লৈবাক্কী য়েক্নবা, লৈবাক প্রজাগী ফনবা তৌরদি অফবা অদুম হায়গনি। লৈবাক্কী প্রজাগী ফত্তবা তৌরদি ফত্তবা লাকপা তাবনি।

চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী ৱারোল অসিনা অরানবা ৱাফমদা পার্সোনেল এটেক্ট তৌদুনা ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক থুগাইরে। মসিনা ভোটরশিংবু লান্না লমজিংলে হায়না ও নবকিশ্বরগী চেরোল অদুদা ফোঙদোক্লি।

মরম অদুনা এন বিরেনগী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎতুনা লিগেল এক্সন লৌনবা নবকিশ্বরগী চেরোল অদুনা অরোইবদা তকশিল্লি।

চৈরক অসিদা বি জে পিনসু হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এম এল এ ও ইবোবিনা তোঙান তোঙানবা ধর্ম্ম চৎপশিংগী মরক্তা নুংশিনহন্দবা ৱা ঙাংলে অমদি মোদেল কোদ ওফ কন্দক থুগাইরে হায়না মণিপুরগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার (সি ই ও) দা ৱাকৎখ্রে।

বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরী এন নিমবুসনা সি ই ও দা ইবা চেরোল অমদা হায়রি, হৌখিবা এপ্রিল ১০দা য়াইরিপোক্কী অজাদ হায়র সেকেন দরী স্কুলদা ৱা ঙাংবদা বি জে পিনা পাল্লিবসি হিন্দু ময়াম পুনশিল্লগা মুস্লিম মুৎথৎপদুনি হায়না ফোঙদোকখিবদু মোদেল কোদ ওফ কন্দক থুগাইবনি অমদি ইন্দিয়ান পেনাল কোর্টকী সেক্সন কয়াগী মখাদা মরাল লৈরে।

মরম অদুনা ও ইবোবি অমদি মহাক্কী পার্টিগী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস অমা রেজিষ্টর তৌরগা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না নিমবসগী চেরোল অদুনা তাক্লি।

# পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী এক্স গ্রেসিয়া অমসুং কম্পেনসেসনগী শেনফম ই সি আইনা নৌনা লেপথোকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১১(এস এন এস) ঃ ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা থা অসিগী ১০দা থোকপা চেরোল অমনা হন্দক্কী ইলেক্সনদা অশি–অনা অমসুং অশোক–অপন নংবা পোল্লিং রিভাইস এক্স গ্রেসিয়া কম্পেন্সে–সনগী এমাউন্ট অমসুং মদুগী টর্ম এন্দ কন্দিসনশিং ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ সেক্রেটরীশিং অমসুং চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারশিং দা খঙহনলকখ্রে।

হায়রিবা চেরোল অদুগী মখা তাবা খোঙথাং ওইনা ওফিস ওফ দি চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার মণিপুরনা ঙসি (এপ্রিল ১১) চেরোল অমা থোক্কুনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী রিভাইস স্লেবস অদু রিতর্নিং ওফিসার নম্বর ১– ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরী কন্সটিট্যুয়েন্সি, রিতর্নিং ওফিসার, নম্বর ২– আউটর মণিপুর (এসটি) পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অমসুং দি সি / দি ই ও (ইম্ফাল ইষ্ট। বিষ্ণুপুর। জিরিবাম। উখ্রুল। চান্দেল। চুরাচান্দপুর। সেনাপাটি। কাংপোকপী। তমেংলোং) দা খঙহনখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা নৌনা থোকখ্রবা রিভাইস স্লেবস অদুদি– ১. ইলেক্সন দ্যুটি তৌরিঙৈদা লাইববক থিবা থৌদোক থোক্কুনা শিরবা ওফিসিয়েল অদুগী ইমুংদা লুপা লাক্ষ ১৫ পীবা।

২. এক্সট্রিমিষ্ট কী হিংশা নৎত্রগা অনসোসিয়েল ইলিমেন্ট রোদ মাইন, বোম্ব ব্লাষ্ট, আর্ম এটেক্টনচিংবগী থৌদোক্তা থৱাই থাখিবা ওইরবদি কম্পেন্সেসন এমাউন্ট অদু লাক্ষ ৩০ ওইরগনি।

৩. থোকহননিংদবা থৌদোক্তা–খোঙ ককপা, মীৎ তাংবনচিংবা পারমানেন্ট দিসএবিলিটি ওইখিবা তারবদি এক্স গ্রেসিয়া লুপা লাক্ষ ৭.৫ পীগনি, হায়রিবা খুদোংথিবা অসিমক এক্সট্রেমিষ্ট নৎত্রগা অনসোসিয়েল ইলিমেন্টনা থোকহনবা ওইরবদি এক্স গ্রেসিয়া অদু মথক্কী এমাউন্ট অসিদগী দবল ওইগনি।

লোক সভা ইলেক্সনগা মরী লৈননা খুদোংথিবা থোক্কুনা এক্স–গ্রেসিয়া কম্পেন্সেসন পীবা তারবদু, হায়রিবা এক্স গ্রেসিয়া কম্পেন্সেসন অদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হান্না পীথোক্কদবনি। মদুগী মতুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদগী শেনফম অদু লৌশিনগদবনি।

সি ই ও, দি ই ও অশি–অনা অমদি অশোক–অপন থোক্লবদি মরী লৈনবা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা মতম চানা পাউ খঙহনগদবনি হায়বা ৱাফমসু পল্লি।

# চহী ২গী লৈঙাক্তা অনৌবা প্রোজেক্ট পায়খৎতেঃ কোংগ্রেস

ইম্ফাল,এপ্রিল ১১(এস এন এস) ঃ ষ্টেট অসিগী ভরতীয়া জনাতা পার্টি (বি জে পি)না চহী ২ লৈঙাক পাহয়রকপদা অনৌবা প্রোজেক্ট অমতা পায়খৎপা উদ্রি হায়না হান্নগী চীফ মীনিষ্টর ওইরম্বা সি এল বি লিদর ওক্রম ইবোবী না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অন্দ্রো ব্লোক কোংগ্রেস কম্মীটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী ই এন সি কেন্দিদেট ওইরিবা ওইনাম নবকিশ্বরগী ইলেক্সন কেম্পেন্দগী শরুক অমা ওইনা অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা অজাত হায়র সেকেন্দরি,য়াইরিপোককী প্লে গ্রাউন্দা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবনি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাঙদুনা ও. ইবোবীনা মখা তানা হায়খি ষ্টেট অসিদা বি জে পি লৈঙাক্না শকখিবা মতমদা সেন্টরসু ষ্টেটতসু বি জে পি না পায়রবনিনা ষ্টেট অসি চাউখৎলনি হায়বসি মীয়াম্না খন্নখিবা ৱাফমনী। অদুবু চহী ২ অসিদা অনৌবা প্রোজেক অমতা পাইখৎপগী মমি উদ্রি। পব্লিসিটি খক্তমক তৌদুনা লৈবা লৈঙাক্লি।

বি জে পি লৈঙাক অসিনা পাকিস্থান,বংলাদেশ অমসুং অফগানিষ্টানদগী লৈবাক অসিগী মশীং য়াম্লবা হিন্দু পুশিল্লক্তুনা লৈবাক অসিদগী মুস্লিম মুৎথিনবা শিল্লি। অন্দ্রো কেন্দ্র অসিগী লাইনিংদা মীচং–মীখাই নাইদবা অমগা–অমগা নুংশিনদনবা তৌবা অমসুং লৈবাক্কী কাইনবা তৌবা য়ারোই হায়না কোংগ্রেস টিকেট পিদুনা থাগৎখিবা মীহুৎ বি জে পি দা চোঙশিনখিবা মসিমক অন্দ্রো মীয়াম্না মাঙোন্দা সি এ বি শৌগৎলুরো হায়না থাগৎপগা চপ মান্নরে। অদুনা হায়রিবা মীহুৎ অসিবু অন্দ্রো কেন্দ্রগী মীয়াম্না লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদগী পারা অমা তন্বীবা মথৌ তারে। অদুনা থা অসিগী ১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্নর মণিনুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি মীখল অসিদা আই এন সি মীরেপ ওইরিবা ওইনাম নবকিশ্বর ভোট পিদুনা লৈবাক অসি ইংতপ্পা অমগা অমগা নুংশিনবা লৈবাক অমা ওইহ্লসি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা লোক সভা মীখল অসিগী ইন্নরদা আই এন সিগী মীরেপ ওইরিবা ও. নবকিশ্বর বি জে পিনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মুস্লিমশিং অসি মখোয়না সি এ বি চংনহনগদবনি হায়বা অসিনা শাওহল্লে। বিল অসিদা কম্যুনিটি ৬খক লৌখৎলগা মুস্লিমবুনা ইথেক্লম্মী। মসিমক ইন্দিয়াগী ফুরপ খুদিংমক্কী লাইনিং খুদিংমক চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংগদবনি হায়না পল্লিবনি মসিদা বি জে পি দা ভোট পিরগদি ইশাগী ইখোঙদা শিংজংনা য়ানশিনজবগা মান্নে হায়খি।

মণিপুরবু চাউখৎহন্দবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন্দা অমসুং লমদম অসিগী ইশুশিং থৌনা ফনা থেংনগনি হায়বসিদা মীরেপ ওইনা থোকচবনি। মসিদা মীয়াম্না শৌগৎপিদুনা মীখলদা মায় পাক্লবদি মীয়ামগী অৱাৎ অপা য়েংশিনগনি হায়নসু মখা তাখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাংখেম কেন্দ্রগী এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা হায়খি, ইন্দিয়াদা মণিপুরদা অমসুং অনে দ্রাদা কোংগ্রেস হল্লক্তুনা চাউখৎ থৌরাং লৈহনবা মীয়াম্বু নুংশিবা লৌমীবু নুংশিবগী মচাক অমা শাগত্তবা য়ারক্রে অদুনা কোংগ্রেস পার্টিনা কুপ্না খন্নদুনা ওইনাম নবাকিশোরবু মীরেপ ওইনা থাগৎপনি। ওইনাম নবাকিশোরবু হীরম খুদিংদা মতিক চাবা মীশক্নী। মহাক্না শোয়দনসু মায় পাক্কনি। মণিপুর খুন্নাই অসিগী য়াইফনবা মহাক্না শোয়দনা তৌরক্কনি। অদুনা মীয়াম্না মহাকপু শৌগৎপিয়ু হায়খি।

পোলিটিকেল কনফ্রেন্স অদুদা মণিপুর প্রদেস কোংগ্রেস কম্মীটিগী প্রসিদেন্ট গাইখঙম অন্দ্রো ব্লোক কোংগ্রেস কম্মীটিগী প্রসিদেন্ট এম দি অরী খান প্রদেস কোংগ্রেস কম্মীটিগী মেম্বর কিশন নিংথেমজাও অমদি লিলোং কেন্দ্রগী এম এল এ এম দি নসীরসু শরুক য়াখি।

কনফরেন্স অদুদা মরী লৈননা বি জে পি অন্দ্রো মন্দলগী প্রসিদেন্ট খুনুংময়ুম সুবোল অমসং মহাক্না লোয়নবা ৱাকরশিংনা কোংগ্রেসতা চংলকপদা সি এল পি লিদর ও. ইবোবী অমসুং এম পি পি সি সি গী প্রসিদেন্ট গাইখঙমনা তরাম্না ওকখি।

# চীঙাইগী পোইদা শকখঙদবশিংনা ই ভি এম...

লমায় ১গী মখা

থৌদোক লৈখি অদুবু পামদবা থৌদোক থোক্কুনা ৱাথোক অদু লোইশিনখি হায়রি। পোল্লিং ষ্টেসন অদুদা নুংথিল পুং ১ রোম তাবা ফাওবদা চাদ ৭০.৫৩গী চাংদা ভোট থাদনরম্বা থেংনরকখি।

কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী ৪১ / ৫০ রুংসাং ষ্টেন্দার্দ ইংলিস স্কুলদসু মীয়াম্না ভোট থাদনরম্বা থেংনখি। পোল্লিং ষ্টেসন অদুগী প্রীসাইদিং ওফিসারনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্নদি পোল্লিং ষ্টেসন অদুদা ই ভি এম মেছিন য়াদবদগী ভোট থাদবা পুং ২ রোম চোম্থনা হৌখি হায়রি। পোল্লিং ষ্টেসন খরদা ঙরাং নুমিদাং মীওই খরা লাক্লগা ইভিএমশিং লৌরগা ভোট থাদনবা হোৎনরমখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

মোরেদসু পোল্লিং ষ্টেসন ২২ দা অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদগী ভোট থাধনবা হৌখি। মোরেগী পোল্লিং ষ্টেসন খরদা ই ভি এম য়াদে হায়দুনা ভোটথাদবগী মতম থেংথখি। ঙমখৈগী লমদম অমা ওইবনা মোরেদা পামদবা থৌদোক থোকপা থিংনবগীদমক মকোকথোংবা সেক্যুরিতিগী ওফিসিয়েলশিং তোয়না রাউন্দ চৎখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা ক্কাথা খুলদসু তোঙান তোঙানবা খুলশিংগী ভোটর ৬৬৬ না ভোট থাদনখি হায়রি।

মরক অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক, মণিপুর লৈঙাক অমসুং ককি লালহৌলুপশিংগা সসপেন্সন ওফ ওপরেসন চখনরিবা খুৎলায় পায়বা লুপ অসিগী মীওইশিং খাঙবরোদল লৈবা যু কে এল এফকী কেম্পতা ভোট থাদনখি। মফম অদুদা খুৎলায় পায়বশিং অদুনা বেল্লোট পেপর শিজিন্দুনা ভোট থাদনখি।

মীখলগী মথৌ তৌনরুবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং মখোয় মখোয়গী মরী লৈনবা দি ই ও শিংগী ওফিসতা থুংলবা হৌখিবগা লোয়ননা পোল্লিং মেটরিয়েলশিং অদু সেক্যুরিতিনা মপুং ফানা ঙাক শেল্লবা ষ্ট্রোং রুমশিংদা থমখ্রে হায়রি।

ঙসি মীখল পাঙথোকখিবা অসি অপুনবা মণিপুরগী কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬০ গী মনুংদা কন্সটিট্যুয়েন্সি ২৮ দনি। ঙসি ভোট থাদনখিবা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অদুদি হৈরোক, ৱাংজিং তেন্থা, খাঙবোক, ৱাবগাই ,ককচিং, হিয়াংলম, শুগনু,জিরিবাম, চান্দেল, তোংনৌপল, ফুংয়ার, উখ্রুল, চীঙাই, সাইকুল, কারোং, মাও তদুবী, কাংপোকপী, সাইতু, তামৈ, তমেংলোং, নুংবা, তিপাইমুখ, থানলোন, হেংলেপ, চুরাচান্দপুর, সাইকোট অমসুং সিংহাটনি।

ঙসি ভোট থাদনখিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মনুংদা উখ্রুল, চান্দেলগী পোল্লিং ষ্টেসন খরদদি খূৎলায় পায়বনিশিংনা নম্ফু তৌনবা হোৎনবগী থৌদোকশিং থোকখি হায়রি। অদুম ওইনমক রিপোল তৌগনি তৌরোই হায়বদি চপ চানা লেপথোকপা লৈত্রি হায়রি।

ঙসিগী মীখল অদুদা পোল্লিং ষ্টেসন খরদা মোদেল পোল্লিং ষ্টেসন ওইনা হাংদোকখি লোয়ননা পোল্লিং ষ্টেসন খরদনা নুপী ঙাক্তনা পোল্লিং পার্সোনেল ওইনা মথৌ তৌখি।

# মীরেপ ওইরিবশিংনা মশা মশানদি মায় পাক্লগনি...

লমায় ১গী মখা

পাউ লৈতে। অদুম ওইনমক চকপিকারোং, চান্দেলনচিংবদা পোল্লিং অনিগুম্বদা এন এস সি এন আই এমনি হায়বা খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিং লাক্লগা ভোট নম্মী হায়বা ৱাফম তাই। মদু কন্দায় ফাওবা চুম্বনো হায়বা ঙমদে।

মীখল অসিদা কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনদি মীখলদা নম্ফম হাফু তৌবদি শোয়দনা ইলেক্সন কম্মিসন্দা ৱাকৎনরক্কনি হায়না থাজে। মখোয়না পংতৌ তৌবা য়ারোই।

অদুবু মীখল মায় পাকপা পাক্তবগী মতাংদা মহাক্না হায়, হন্দক্কী মীখল অসি মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট য়াম্না শোকপা অমনা সি এ বিল অসি পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌবা ঙমখিদ্রবা মতুংদা বি জে পিনা য়াম্না শিংনবগী মওংদা মণিপুর অমসুং অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী মীয়ামগী মায়োক্তা চংশিল্লকপা অসিদা বি জে পিগী মায়োক্তা লাকপগুম উই হায়না লৌই।

চীং অমসুং তমগী মীয়াম্না য়েলহৌমী মুৎপা পামজদবনা আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পি চাউনা মায়থিরগা এন পি এফ নৎত্রগা এন পি পি ভোট থিনরকপদা কোংগ্রেসনা চাউনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

সি এ বিলগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা কে রঞ্জিৎনা হায়, বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর অসি অয়ুক্না ৱা অমা ঙাঙবা, নুংথিলনা ৱা অমা ঙাঙবা অমসুং নুমিদাংনা ৱা অমা ঙাঙলিবনি। সি এ বিল পাস তৌবা মতমদা মহাক্না মসি মণিপুরগী ওইবা ক্লোজ অমা হাপ্পগা শেমদোক্কনি হায়বখিবা লৈখি। বিল অসিনা মণিপুরগী য়েলহৌমী মাঙহল্লোই হায়না লাওখি।

পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখ্রবা বিল অমবু লৌথোক্তনা ক্লেজ অমা হাপকনি হায়বা, খরা লৈরগনা বিল অসি ৱাহৈ পরেং খুদিংমক পাবিয়ু হায়না অমুক হায়রে। মরম অসিনা চীফ মিনিষ্টরনা বিল অসিগী মতাংদা চপ চাবা ফিরেপ লৈত্রে হায়না লৌই। লোয়ননা মীয়াম্না থাজবা পোক্লোই হায়খি।

অমরোমদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিগী মীরেপনা চাউনা মায় পাক্কনি হায়না এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা হায়, মীখল অসিদা বি জে পিনা য়াম্না চাউনা মায় পাক্কনি। পার্টি অসিনা সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা স্কিম কয়া অসিনা ঙসিদি মীয়াম নুংঙাইবা শান্তি লৈবা পুন্সি মরেল অমদা লাকহনবা ঙম্লে।

মীয়াম্না অশেংবা লৈঙাক্কী মশক অদু উবা ফংলে। মসি য়েংলগা হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পিগী মীরেপতা মীয়াম্না শোয়দনা ভোট পীবিদুনা কাহনবীরক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

# বি জে পি দি কোংগ্রেস চৈবনা মথৌ ওইরে ঃ ও ইবোবী

ইম্ফাল,এপ্রিল ১১(এস এন এস) ঃ ষ্টেট অমসুং সেন্টরদা পাল্লিবা ভরতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) লৈঙাক অসিদি মীয়ামগী থবক তৌবগী মহুৎতা কোংগ্রেস পার্টিবু চৈবনা মথৌ ওইরি হায়না সি এল পি গী লিদরসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি শগোলবন্দ ব্লোক কোংগ্রেস কম্মীটিগীনা শীন্দুনা শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক মচিন্দা লৈবা লায়নিংথৌ খল্লাংবা শঙলেন্দা পাঙথোকপা লাক্কদৌরিবা ১৭ শুবা লোক সভা মীখল অসিগী ইন্নর মণিপুর পর্লিয়মেন্টরি কন্সটিট্যুয়িন্সিদা আই এন সি কেন্দিদেট ওইরিবা ও নবকিশোরগা মরী লৈন্না পাঙথোকপা পব্লিক মীটিং অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, ষ্টেট অসিগী অমসুং সেন্টরদা পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসি হেক থৌরকপগা অহোংবা পব্লিসিটি তৌদুনা কোংগ্রেসতা চৈদুনা লৈ। সেন্টরদসু বি জে পি না চহী ৫ সিদা মশক থোকপা থবক তৌবা উদ্রি। মণিপুরদসু চহী ২ফারবা অসিদা চীফ মিনিষ্টরদগী হৌরগা মিনিষ্টর খুদিংমক মীয়ামগী থবক তৌবগী মহুৎতা কোংগ্রেস পার্টিবু চৈবগী হৈনবী লৈরী। মসি বি জে পি না কোংগ্রেস পার্টিবু কিবদগী তৌবা ওইরম্বনি হায়না লৌই। লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি না মীয়াম খঙলোয় হায়বগী মওংদা ওইদবা কয়া ঙাঙবসিসু তোকপিয়ু। মীয়ামগী য়াইফনবা থবক ওইনা তৌবীয়ু।

মহাক্না মখা তরাদুনা হায়, লৈঙাক অসিনা অফসপা কনানা পুরক্তুনা থল্লমবনো হায়না তোয়না তোয়না লাওরি। কোংগ্রেসনা থমলম্বা ওইরবসু মরম অমা লৈবন্নি। মসি হৌজিকসু কোংগ্রেসনা থমলম্বনি হায়দুনা লৌথোপা য়াদবদি নৎতে। ষ্টেট অসিদা পানখিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্না সেন্টরনা য়াদ্রসু য়াদনা এসেমব্লি সেক্সেন খরদগী অফসপা লৌথৌকখিবনি। মসি হৌজিকসু লৈঙাক অসিনা লৌথোক্লিংলবদি করিগী লৌথোকপা ঙমদ্রিবনো। লোয়ন্না এক্ট অসি চহী চহীগী রিভিয়ু তৌদুনা শাংদোকহল্লিবশিদা করিগী য়াদুনা চৎলিবনো। অমরোমদা মণিপুরদগী আই এল পি সিসটেমনা কোংগ্রেসনা লৌথোকপনি হায়নসু লৈঙাক অসিনা তোয়না লাওরি। কুমজা ১৯৪৯ দা মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা লৌশিনখ্রবা মতমদা মমাঙদা চৎনরমবা আই এল পি সিসটেম অদু ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরবনিনা চৎনদ্রবসু য়ারে হায়দুনা লৌথোক–খবনি।

মসি হৌজিক মীয়াম্না অমুক হনজিনহন্সি হায়দুনা মীয়াম্না দিমার্ন তৌরি। মসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা শেমখিবা মণিপুর পিপলস বিল হৌজি ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টরদগী অমসুং প্রসিদেন্টদগী করি মরমগী অয়াবা লৌবা ঙমদ্রিবনো। অদুনা মীয়াম্না সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পি দা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা অমসুং ষ্টেট অসিদসু পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসি মীয়াম্না কুপ্না নৈনবা মথৌ তারে। মীয়াম্না কুপনা খন্নদুনা মীখল অসিদা কোংগ্রেসপু শৌগৎপিদুনা অওনবা মণিপুর ওইহনবদা শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু ও ইবোবীনা মখা তাখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর প্রদেস কম্মীটিগী প্রসিদেন্ট গাইখঙম্না ফোঙদোকখিবদা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিগী ইন্নর মণিপুর পর্লিমেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিদা আই এন সি গী মীরেপ ওইরীবা ও. নবকিশোর ষ্টেট অসিগী অহানবা মৈতৈ মচা মরক্তগী চীফ সেক্রেটরী ওইখিবা মীশকনি। অদুবু বি জে পি লৈঙাক্লা মহাকপু ফমদগী লৌথোক্লগা নন লোকেল অমদা চীফ সেক্রেটরীগী ফম পুহনখি। মসিমক্না বি জে পি অসি মণিপুর ইন্টরেসতা থবক তৌবা পার্টিনি হায়বসি ময়েক শেংনা তাকপনি। লোয়ননা বি জে পি না শকখিবা ৱাশকশিং ঙসিফাওবা থবক ওইনা পাঙথোখিবা লৈত্রি। মখোয়না পিখিবা থাজবশিং অমতং থবকতা ওনথোক্লে হায়না তাকপা ঙমলবদি থাগৎপা য়াই।

বি জে পি অসি কোংগ্রেসনা তৌরমবশিং মখোয়না তৌবনি হায়জিনবা, য়েলহৌমীশিং মাঙহনবা হোৎরিবা অমদি ওন্থোক ওন্থোকপা থৌওং কয়া চৎথরিবা অসিনা পার্টি অসি মীয়াম্না খন্দবা পার্টিনি হায়বসি তাক্লে। অদুনা হন্দক্কী মীখল অসি লৈবাক কনগদ্রা কল্লোয়দ্রা হায়বগী মীখলনি। ঐখোয়গী লৈবাক কন্সি হায়রবদি মীখল অসিদা আই এন সি গী থগৎলিবা মীরেপ অসিদা মীয়াম্না শৌগৎপীয় হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এম পি সি সি গী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা নম্বোল কেন্দ্রগী এম এল এ এন লোকেন্দ্রোনা হায়খি। হৌজিক লমদম অসিদা অমসুং লৈবাক অসিদা তংদু লৈতাদবা ফীবম অমদা লৈরীবা অসিদা লমদম অসিদা মীয়াম্না ইংনা চিকনা পানব ঙম্নবা আই এন সি গী টিকেত ও নবকিশোরদা পীবনি। মীয়াম্না সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিদা পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসি মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরিবরা তৌদবরা হায়বসি খঙমিন্নসি। নরেন্দ্রা মোডিগী লৈঙাক অসি মীয়াম অমতা ফৈ হায়ন্দ্রে। মখোয়দী চিনগা খুৎকা মানদবা ওইদা পাদবদা লৈঙাক চৎথবনি।

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসি হায়দোক্লবা মতুংদগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্রা মোডি অমসুং বি জে পি অমুক হন্না ইন্দিয়াগী লৈমায়দগী হল্লক্লরোই। খ্বাইদগী ওইদবা তৌবা পার্টি অসিনা লৈবাক ঙাক্লগা মতৌ করম্না অওনবা লৈবাক অমা ওইগদৌরিবনো। অদুনা অওনবা লৈবাক অমা লাক্লবা কোংগ্রেস পার্টিবু মীয়াম্না শৌগৎপিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি মীফম অদুদা থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোকদৌরিবা লোক সভা মীখলগী ইন্নর মণিপুর পর্লিমেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা আই এন সি মীরেপ ওইরিবা ও. নবকিশোর এম পি সি সি গী হান্নগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ, শগোলবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ আর কে ইমো, শগোলবন্দ ব্লোক কোংগ্রেস কম্মীটিগী প্রসিদেন্ট আর কে সনাতোম্বা অমদি মশক নায়রবা পার্টিগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

অনীশুবা তাঙ্কক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখল অসিদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্স–টিট্যুয়েন্সিগী য়াওরি। মীখল অসিদা পুন্না মীরেপ ১১ লম্বা তৌনগদৌরি। বি জে পিগী মীরেপ ওইনা ডা. আর কে রঞ্জন, কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইনা ও নবকিশ্বর, সি পি আইগী মীরেপ মোইরাংথেম নরা, এন আই দি পিগী মীরেপ আর কে আনন্দ অমসুং ইনিদপেন্দেন্ট ওইনা ফিল্ম ষ্টার আর কে কাইকু য়াওরি।

# শকখঙদবশিংনা এক্সকাভেটর অমা মৈ থারম্লে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১১(এস এন এস) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা উরান চিরু মনাক্তা লৌবুক্তগী লৈবাক কোৎপগী থবক্তা শিজিন্নবা এক্সকাভেটর অমা শকখঙদবশিংনা ঙরাং নুমীদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা মৈ থারম্লে হায়রি।

এক্সকাভেটর অদু শিংজ মৈ অকাম্পাটতা হোক্কী ষ্টদিয়ম শানবগীদমক মফম অদুদগী লৈবাক কোৎপগী থবক্তা শিজিন্নবনি। ঙরাং নুমীদাংগী হায়রিবা পুংফমসিদা এক্সকাভেটর অদুগী দ্রাইভর অমদি অতৈ থবক শুবশিংনা চাক–ঈশিং চান্নরিঙৈদা এক্সকাভেটর অদু মৈ চাক্লে হায়বা পাউ তান্নরকখিবনি। মৈ অদু কনানা করিগীদমক থারম্বো হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি। মৈ থারম্বা অদুনা মরম ওইদুনা এক্সকাভেটর অদুগী অয়াম্বা শরুক চাকখ্রে হায়নসু মখা তারি।

# আই এমগী কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১১(এস এন এস) ঃ ইন্দিয়ান আর্মিগী তামৈ বট্টালিয়ানগী কাঙবুনা মীখলগা মরী লৈননা চৎথোক–চৎশিন তৌবশিং চেক তৌবদা লোগী ৱাংমদা নোংমৈ পুরগা চৎলম্বা এন এস সি এন (আই এম) গী কাদর অমা নোংমৈগা কোন্ননা ফারে।

থাজবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, থৌদোক অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইলংদা থোকখিবনি। আর্মিনা ফারবা আই এমগী কাদর অদু কোমলাথাবীদগী এলেক্স চাসা এলাইজ মোগোলন (২৬) অপোকপগী মিং সি আর জেমস কৌই।

মঙোন্দগী এ কে ৫৬ রাইফল অমা, ৭.৬২ এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১০০, এ কে ৫৭ রাইফলগী মেগাজিন ২ অমসুং মোইবাইল হেন্দসেট অমা ফংলে হায়রি। নোংমৈগা কোন্না ফারবা আই এমগী মীওই অদু সেকেন্দ লেফটিনেন্টগী থাক্তা লৈবা কাদরনি। কাদর অদু ঙসি নুমিদাং লম্ফেল পুলিসতা শিন্নরগনি হায়রি।

# অথৌবশিংগী খুভমদা হৈকৎ...

লমায় ১গী মখা

ইরোমদোম লৈবাক ঙাকচদুনা মুৎথিদৌরিবা মণিপুরবু কনবা ঙমগনি। ঙসিদী মণিপুর ইন্দিয়গী লল্লৌ লান্মী মশামক য়াওনা মণিপুরশিংবু দ্রগকী লাংদা থুহন্দুনা লমদম অসিবু নুপা য়াওদনা ঙাকপনা লৈঙাক অমা ওইহন্নবা শিল্লকপা থৌওং অসিগী মীয়াম হুপ্পা ৱাখল খন্থমিন্দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অরোনবা থৌওং অসিদগী মণিপুর কলহৌনবগীদমক নীংতম লাঞ্জং অসি লেপতনা চঙশিনমিন্নবা মতম অদু অমুক্কা হেন্না মরু ওইরক্লে।

চেরোল অসিনা হায়, নীংহন্নবা, চোকথবা, লৈখিদ্রবা অথৌবশিং অদুনা ইমা লৈবাক ইরমদমগীদমক থৱায় থাদোক্তুনা থেংনখিবা নীংতম য়াওল অসি তাঙ্কক অমা য়ৌনা পুখৎপিরম্লে অদুবু ঙসিদি পাঙদবা য়াওলোয় শাবা মমা য়োলগা চাবা খরনা য়েক্লবদা সরেন্দর তৌদুনা য়াওল ইহৌ অসিবু মশক থিহল্লম্লে অমসুং নীংতম য়াওলগী খোঙচৎ অসি থিংথহল্লে। আর পি এফ তি লৈবাক মীয়ামগীদমক ইশাগী ঈ মরিক অমফাও চেল্লিবা মখৈ ইমা লৈবাকগীদমক লান্থেংনখিগনি অমসুং মীয়ামগীদমক লেপখিগনি। আর পি এফ না মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা মশীং থিঙমদ্রবা লাম্থেং কয়াদা য়েক্নবা লল্লৌ লান্মী মায়থিবা পিখ্রে অমদি মখোয়না চখরকপা অরোনবা মায়খুম উপ্পা লানলোং কয়া লৈবাক মীয়ামদা ফোঙদোক্তুনা খঙহনখ্রে।

আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী শঙলূপ পি এল এ না মীনাই নাইথাংগী পুন্সিরোল অসিদগী নানথোক্তুনবা অমদি নীংতম্বা ইশানা ইরোমদোম লেপচনবগীদমক লল্লৌ লান্মীশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকপা লাঞ্জং অসিদা থৌনা ফারবা অথৌবা য়াওল্লোয় কয়ানা থৱায় পাম্মুবা লৈতনা ইমা লৈবাক্কীদমক কখোকখিবা অথৌবশিংগী নুমিৎ " এপ্রিল ১৩" না লাকপদা মণিপুরদা নীংশিংবা ঙমদ্রবা মতমদগী হৌনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরক্লবা চীংমী তম্মী ইরৈচা খুদিংমক্না অচিনবা কয়া কায়থোকপিদুনা নুমিৎ অসিদা লায়ওইখ্রবা অথৌবশিংগী খুবমদা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বদা শরুক য়াবিনবা অপিল তৌরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, এপ্রিল ১৩গী নুমিদাংগী মতমদা য়ুমথোঙ খুদিংদা মৈরা কৎপিয়ু। লোয়ননা নুমিৎ অসিগী ওইনা লায়নিং লায়শোন থবক থৌরম নৎতনা চাকচা হৈজান্নবা অমদি মখল খুদিংমক্কী হরাও কুম্মৈশিং লেপ্পীয়ু।

# কোংগ্রেসকী ভোটরশিং ভোট...

লমায় ১গী মখা

ভোটরশিংদা ইন্থোরকপতা নত্তনা মনুংদসু কোংগ্রেসকী এজেন্ট ফমহনখিদ্রে হারদুনা কোংগ্রেসকী ভোটর অমদি পোলিং ময়াদা চঙবা ঙমদ্রে।

সেক্যুরিটিশিংনসু মতেং পাঙবিদ্রে হায়রদুনা ভোটরশিংনা মখোয় হৌজিক ফাওবা ভোট থাদবা ফংদ্রে মখোয়গী রাইট মৎপা য়ারোই ভোট থাদনীংঙী মখোয়বু ভোট থাদবা ফংহনবিয়ু হায়খি।

বি জে পিগী এজেন্টশিংবুনা ফমহল্লগা কোংগ্রেসকী এজেন্টবুনা ফমহন্দবা অসি লমদম অসিগী অতৈ পোলিংশিংদসু তৌনব্রা হায়না হংলদুনা ভোট থাদবা ফংদবা অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার (দি ই ও) থৌবালদা ৱাকৎলগনি হায়খি।

পোলিং অসিগী প্রেসিদিং ওফিসারনা ফোঙদোরকপদা কোংগ্রেসকী এজেন্টশিং অদু মখোয় মশানা থোকচখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মঙোন্দা করিগুম্বা কমপ্লেন্ট অমত্তা তৌরকপা লৈত্রি হায়খি।

তুংদা খাঙবোক এ সিগী এম এল এ ওক্রম সুর্জকুমার অমদি খাঙবোক এ সিদা বি জে পিগী কেন্দিদেটসু ওইখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্না ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম যাদুমনিসু মফমদুদা লাকখি। মখোয় অনীগী মরক্তদসু উংখৎনবগী থৌদোক থোকখি। তুংদা পুং ২.৩০ রোম তাবদা এস দি ও থৌবাল লাক্কুনা মীয়ামগী ইরাং অদু য়েংশিল্লখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী ৱাকৎশিং তারবা তুংদা মীয়াম অদু অমুক ক্যু লেপহন্দুনা এস দি ওনা শঙলগা ভোট থাদবা হৌহনখি। মীয়াম মরক্তা খৎন–চৈনবগী থৌদোক্তা নুপী অনী য়াওনা মীওই অহুম শোকখি হায়রি।

# মীয়াম্না লম্বী থিংখ্রে...

লমায় ১গী মখা

তাবিদবা মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক অসিনা হন্না য়েংবীরক্তবদগী ঙসিগী খোঙজং অসি চঙশিল্লকখিবনি।

মহাক্না হায়, লম্বী অসিগী ফিভম অশুক্কী মতিক ফত্তবনা লম্বী অসিদা চখোক–চৎশিন তৌরিবা মীয়াম মরুওইনা মহৈরোইশিং অমদি অনা লায়েংগী অথু–অকায়দা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে। মরম অদুনা লম্বী অসি অথুবা মতমদা শেমদুনা কোয়লাস থাবা লোয়শিন্দ্রবদি লম্বী অসি পুমথিং থিংজিনবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা থা অসিগী ১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্নরগী ভোট অসিদা বি জে পিদা সপ্পোর্ট তৌদবা হায়না লেপ্পরে হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।